

ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা মফেগন শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবী অদুগা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ওর্লিয়েন্স মাষ্টর সুপর ১০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা শেম শারিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল

ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ শুটিংদা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শুটর দিভিয়ান্স সিংহ পনৱরগা প্যের ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবী ইলাভেনিল ভালারিবন

# অনীশুবা অৱাং সেকমাই শিংলুপ স্পোর্টস মীট ২০২১ হৌদোকখ্রে



সেকমাই, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস): অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এস এস সী দি সী)গী মীৎয়েং মখাদা অহল চাকচা শিংলুপ অৱাং লৈকাইনা শীনবা অনীশুবা অৱাং সেকমাই শিংলুপ স্পোর্টস মীট ২০২১ ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা এ এস এস সী দি সীগী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম সুর্জমনিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এ এস এস সী দি সীগী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম ইশ্বরচন্দ্রনা থৌরম মপূ অমদি খ্বাইরাকপম অনিল (সনাতোম্বা)না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস মীট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা খ্বাইরাকপম সুর্জমনিনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মখাদা লৈবা শিংলুপ ২০গী মনুংদা মরুওইবা শিংলুপ অমা ওইরিবা অহল চাকচা শিংলুপ অৱাং লৈকাইনা হন্দক্কা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোরক্লিবা অৱাং সেকমাই শিংলুপ স্পোর্টস মীট অসিনা অৱাং সেকমাই মায়কৈগী নুপামচাশিং অমদি নুপীমচাশিংদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীহল্লগনি। মায়কৈ অসোমগী হৌরক্লিবা নহারোলশিং মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎনবদা স্পোর্টস মীট অসিনা চাওনা তেংবাঙলগনি।

সুর্জমনিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী লায়না ঙাকথোক্নবগী পান্দমদা য়াওশঙগী থাবল চোংবা, লিলা অমদি অতৈ মীয়াম পূনবা থৌরমশিং পাঙথোকপা থিংখ্রবসু হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংগী অখন্নবা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকপগী গাইদলাইন শেমদুনা পাঙথোকপা য়াবগী অয়াবা পীরকপা অসিনা লমদমসিগী হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি।

থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখিবা এ এস এস সী দি সীগী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম ইশ্বরচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং সেকমাই অসি মীয়াম্না য়ু শুংফম লমদম অমা ওইনা উবীরি। তশেংনমক অৱাং সেকমাই অসি ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা থোইদোক্না শীংথানরিবা রেনেদি, গৌরমঙ্গি, চিত্রসেনগী পোক্নফম অমনি। ইন্দিয়ন ৱিমেন্স অন্দর ২১গী শকখঙনরিবা ফুটবোল্লর থাহেনবীগী পোক্নফমনি। কুমজা ২০০৪ দগীনা ২০০৬ ফাওবসি অৱাং সেকমাইদা ফুটবোল অমদি অতৈ শান্ন-খোৎনবগী হীরম কয়াদা মাঙজিল থাবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লম্বা লমদমনি। মতম কুইনা হায়বদি চাউরাক্না চহী ১৩/১৪ রোমসি অফবা শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙমজখিদে। হৌখিবা চহীদগী মায়কৈ অসোমগী শিংলুপশিংতগী ওইবা স্পোর্টস মীট অমা পাঙথোকপা হৌরকপসিনা শান্নবগী অকনবা ঈহৌ অমা অৱাং সেকমাইদা লাক্লে। মসিমক্তিং সেকমাইগীদা নৎতনা মণিপুর পূম্বগী চাউথোকচনিংঙাইনি।

স্পোর্টস মীট অদুদা মেন্স টগ ওফ ৱার, ৱিমেন্স টগ ওফ ৱার অমদি ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা কে ঐচ সুর্জমনিনা হৌদোকখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ওপন্নিং মেটচতা অহল চাকচা শিংলুপ অৱাং লৈকাই অমদি অৱাং লৈকাই অনৌবা শিংলুপ অনীনা শান্নখি। টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ১৮না শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকখিবা স্পোর্টস মীট অসি মার্চ ৩০ ফাওবা চৎথগনি।

# সৌরভ চৌধরি অমসুং মানু ভাকরনা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল গোল্ড লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ২২ (এজেন্সী): ন্যু দেল্লীগী টুগলাবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা চথরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপতা ঙসি ইন্দিয়াগী শুটর সৌরভ চৌধরি অমসুং মানু ভাকরনা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি সৌরভ অমসুং মানু ভাকরনা ফাইনেলদা ইরানগী প্যের গোলমুশ সেবাটোলাহি অমসুং জাবেদ ফোরোগিবু ০-৪দা শোৎথদুনা লৈরম্বদগী ১৬-১২দা হেন্দুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা গোল্ড মেদল অসি চথরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা গোল্ড মেদলনি।

ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্যের য়াসাস্বিনি দেশৱাল অমসুং অভিশেক বর্মানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। ঙসি অয়ূক অঙনবদা পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী প্যের দিভিয়ান্স সিংহ পনৱর অমসুং ইলাভেনিল ভালারিবননা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা হঙ্গেরিগী প্যের ইসভান পেনি অমসুং এষ্টর দেন্সপু মায়থীবা পীখি।

হায়রিবা ফাইনেল অদুদা প্যের অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। ফাইনেল শোটতা ইন্দিয়াগী প্যের অনীমক্না ১০.৪/১০.৪ ফংখি। অমরোমদা, হঙ্গেরিগী প্যের অদুনা ১০.৭ অমসুং ৯.৯ ফংখিবদগী ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী শুটর অভিশেক বর্মা অমসুং য়াসাস্বিনি দেশৱালনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা আই এস এস এফনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

অভিশেক বর্মানা ঙরাং মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর সৌরভ চৌধরিনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। য়াসাস্বিনি দেশৱালনা চথরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মহাক্না পূন্না পোইন্ট ২৩৮.৮ ফংখিবদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর মানু ভাকরনা পোইন্ট ২৩৬.৭ ফংলগা সিলভর লৌখি। নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল রেঙ্কিংদসু ইন্দিয়াগী ইলাভেনিলনা মকোক ওইরি।

# য়ু কে সী সী এল অমসুং আর ঈ সী সী দ্রো চৎখ্রে ও এস এ অমসুং কে ৱাই ভি ও মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৬শুবা এ ইবোতোন মেমোরিয়ল য়ু-১৫ দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেটচ অমদা য়ু কে এস সী সী এল অমসুং আর ঈ সী সী দ্রো চৎখ্রে। অদুগা মফম অসিমক্তদা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী মেটচ অমদনা ও এস এ মোইরাং অমসুং কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাই মায় পাকপা ঙম্নখিদে।

ইবোতোন মেমোরিয়লগী মেটচ অদুদা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ২২ এস জপাননা পাঞ্জল ১ চল্লগা আর ঈ সী সীবু মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবা আর ঈ সী সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপদা আর ঈ সী সীগী শান্নরোয়শিংগী খোঙজেল য়াঙখৎখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৯ এস দিনেশনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচ মখা চৎথরকপদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতনা ও এস এ ওইনাম অমসুং কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাই লম্বা তৌনবনি। মেটচকী ঙল্লিঙৈ শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ও এস এ ওইনামগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৮ সনাতোম্বনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাইবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবা ও এস এ ওইনামনা চনখিবা পাঞ্জল অদু নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে।

অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপা শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাইগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনবদগী টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৬ টি ঐচ দিঙ্কুনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ১-১দা লৈনখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী টিম অনী ১-১দা দ্রো চৎখি।

# মায় পাকপদগী পি এস জিনা লীগ ৱানগী টেবল লুচিংবা ঙমখ্রে

পেরিস, মার্চ ২২ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা ৩০শুবা মেটচতা পেরিস সেন্ট জর্মেন মায় পাকপদগী পোইন্ট টেবল লুচিংবা ঙমখ্রে।

ঙরাং গ্রোপামা ষ্টেদিয়মদা লিওননা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পেরিস সেন্ট জর্মেননা দোমিনেট তৌখি। ১৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী কিলিয়ন মাপেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথবা হেনখিবা পি এস জিগী মার্কিনোজনা পীরকপা বোল অমদা দানিলো পেরৈরানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা মখা তানা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী এঞ্জেল দি মারিয়ানা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ৩গী মখা তারকপা পি এস জিগী মায়কৈদগী মার্কো ভেরাটিনা য়াম্না ফজনা পীরকপা বোল অমদা কিলিয়ান মাপেনা ৫২শুবা মিনটতা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

লিওনগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা মেক্সৱেল কোর্নেটনা পীরকপা বোলদা ইস্লাম স্লিমানিনা শোৎথখিবা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা ১ হন্দোকপা হৌখি। শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা লিওনগী অতোপ্পা শান্নরোয় রায়ন চর্কিনা পীরকপা বোলদা মেক্সৱেল কোর্নেটনা পাঞ্জল চনবা ঙল্লবসু ২-৪দা মায়থীহৌখি। পোইন্ট টেবলদা পি এস জিগা লিলগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা পি এস জিনা মাঙজিল থারিবনি।

# খেলো ইন্দিয়া স্কিম কুমজা ২০২৬ ফাওবা শাংদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেলো ইন্দিয়া স্কিম অসি ২০২১-২২দগীনা ২০২৫-২৬ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এক্সপেন্দিচর ফাইনান্স কম্মিটি মেমোরেন্দম অমা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সতা খেলো ইন্দিয়া স্কিম অসি হায়রিবা চহী অদু ফাওবা শাংদোকপা/মখা চৎথনবগীদমক পীশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা খেলো ইন্দিয়া স্কিম অসিদা চঙগদবা শেনফম চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৮৭৫০ রোমগী ইষ্টিমেট অদু উৎখি।

নীংশিংবা য়াই, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২১-২২গী ওইনা বদজেট ইষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৬৭৫.৭১ এলোকেট তৌদুনা লৈরবনি। ৱাফমশিং অসি ঙসি রাজ্য সভাদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস কিরেন রিজিজুনা অইবা চেরোল ওইনা পীশিনখিবনি।

মরক অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা টেলেন্ট লৈরবা স্পোর্টসকী শান্নরোয়শিংবু হেন্না পূক্নিং চিংশিন্নবগীদমক্তা নেসনল টেলেন্ট সর্চ পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌখি। হায়রিবা পোর্টেল অসি কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ২৮দা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্টনা লোঞ্চ তৌখিবনি। পোর্টেল অসিগী মতেংনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা চল্লাইবা স্পোর্টস সেন্টরশিংদা মিং চন্নবা ওনলাইনদা অপলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি। হৌজিকফাওবদা মীওই ৩৩,৫৫২ রেজিষ্টর তৌরে হায়রি।

# স্কুল অনীদা স্পোর্টস ইভেন্টশিং হৌদোকখ্রে



ৱাঙ্গোই, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি ৱাঙ্গোইগী জোনেল এদ্যুকেসনেল ওফিসর কোইজম বিমোলচান্দনা খাগেম্বা জুনিয়র হায় স্কুলদা স্পোর্টস ইভেন্ট হৌদোকখ্রে।

হায়রিবা স্পোর্টস ইভেন্ট অসি থা অসিগী ১৯দসু টাকয়েল মপাল অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা জোন ৱানগী জেদ ঈ ও সুচেতা খুমুকচমনা হৌদোকখ্রে। হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংদগী সী দব্লিয়ু এস এন (চিলদ্রেন ৱিথ স্পেসল নীদস) ৪৬ অমদি জেনরেল মহৈরোয় ৬না তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা লম্বা তৌনগদবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অসি স্কুল কয়াদগী পূনশিল্লগা য়ুনিফাইদ ওইবা মওংদা পাঙথোকপনি হায়রি।

# বর্সেলোনানা রিয়াল সোসাইদেদ ৬-১দা থোইখ্রে

মাদ্রিদ, মার্চ ২২ (এজেন্সী): স্পেনদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বর্সেলোনানা রিয়াল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ৬-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু রিয়াল সোসাইদেদনা য়ূম্বু ওইদুনা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ রিয়াল সেগুরোজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মেটচকী পুংখায় ফাজিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল চন্নখিদে। অদুবু ৩৭শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল চনখি। ৪৩শুবা মিনটতা লিওনেল মেসিনা পীরকপা বোলদা টিমমেট সর্জিনো দেষ্টনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

হাফ মতুংদা মখা তানা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনশিনখি। ৫৩শুবা মিনটতা জর্সিনো দেষ্টনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং ৫৬শুবা মিনটতা মেসিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লবা মতুং ওস্মান দেনবেলেনা পাঞ্জল ১ অদুগা মেসিনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা রিয়াল সোসাইদেদকী এন্দর বেরেনেটজিয়ানা পাঞ্জল ১খক চনখিবা অদুগা থারগা মেটচ অদু বর্সেলোনানা ৬-১দা থোইখি।


HL-B/6801/20/2-21/3

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN — CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE — Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o. H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST — Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.

| Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)



S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island

ADMISSION IS GOING ON FOR

DON'T MISS

LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount

SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology (one subject Free)

SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science (one subject FREE)

Day Boarding for NAVODAYA & SAINIK Entrance Coaching

NEET - 2021

REVISION FOR CHEMISTRY STARTING FROM 3RD MARCH

FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021

50% DISCOUNT ON FIRST TWENTY STUDENTS


| Class - Timing | |
|---|---|
| Morning | Evening |
| 6am - 9am | 3pm - 7pm |

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII

Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students

Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 60

**IM Makarian, Rudik (2458) - GM Sevian, Samuel (2660)**
**Titled Tuesday 2nd Mar chess.com INT (4), 2021.03.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d3 e5 | 2.e4 Nc6 | 3.Nf3 f5 | 4.Nc3 Nf6 |
| 5.Bg5 Bb4 | 6.Qd2 fxe4 | 7.Bxf6 Qxf6 | 8.dxe4 O-O |
| 9.Bc4+ Kh8 | 10.a3 Bxc3 | 11.Qxc3 Nd4 | 12.Be2 Nxe2 |
| 13.Kxe2 d6 | 14.h3 Qg6 | 15.Qe3 b6 | 16.Kf1 Ba6+ |
| 17.Kg1 Rf4 | 18.Nd2 Raf8 | 19.f3 h5 | 20.h4 Bc8 |
| 21.a4 a5 | 22.c3 Be6 | 23.b4 Kg8 | 24.Kf2 Qe8 |
| 25.Qd3 Qd8 | 26.g3 R4f6 | 27.Kg2 Rg6 | 28.Kh2... |

**QUESTION :**
**Black wins in 4 moves**

**Puzzle 59 Ans. :**

**48.**...Be2 **49.**Nf6+The white knight deflects Black's rook away from protecting the square g7.Rxf6 **50.**Rg7+ Kh8 **51.**Rg8+ Kh7 **52.**R1g7#

**49.**Nf6+ Rxf6 **50.**Rg7+ Kh8 **51.**Rg8+ Kh7 **52.**R1g7#